অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী হ্যুমেন রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা লূপ অসিগী ময়াই লোয়শঙদা নুমীৎ মঙানি চুপ্না চথগদবা থাঙ-তা তাকপী তন্বীবগী থৌরম হৌদোকখিবা

"NUMIT 5 NIGI OIBA THANG-TA TAKPI TAMBIBAGI THO
(5 days Thang-ta Coaching Class for MUC)
ON 15TH - 20TH SEPTEMBER
Organized by
Human Resource Development Department

ওল মণিপুর গুরখা য়ুথ এসোসিএসন অমদি কংলাতোংবী গুরখা য়ুথ এসোসিএসননা পুন্না শীন্দুনা কংলাতোংবীদা পাঙথোকখিবা গুরখাগী নহাশিংগা ইন্টরেক্সন তৌবগী থৌরমদা সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা ৱা ঙাংবা

নোংমাইলৈমা মৈরা পায়বী অমসুং কাদা ৱাংখেম য়ুনিটনা শীন্দুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংনবা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ৱাংখেম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম

KHANNA - NEINABA
ON THE THEME

রিমসকী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা নন-টিচিং ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন রিমসকী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবা মীওইশিংদা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা সর্টিফিকেট য়েন্থোকখিবা

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর নুপী মরুপকী অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বী মাইস্নাম ভামা লৈমনা মশাগী য়ুম কাংমোংদা থা অসিগী ১৪দা লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবদা কোন্থৌজম এরিয়া নুপী মরুপনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবীগী য়ুমদা মেম্বরশিং অমদি লুচিংবীশিং চৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে। মাইস্নাম ভামা লৈমা মরুপ অসিগী অচঙবা মেম্বর ওইরম্মী হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ, কোন্থৌজমগী সেক্রেটরি মৈহৌবম সুন্দরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
মতম কুইনা হৈরাঙ্গোইথোং থোংখোঙদগী মাইবম লৈকায় মুতুম লৈরক ফাওবগী লম্বী অসি শেমজিনবীদনা অচৎ-অওক অমদি লমদমসিগী মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা ওইদুনা এক্সিদেন্ট টনচিংবা কয়া থোক্তুনা লাকখিবা অদু সোসল ৱার্কর খুন্দোংবম রোবিন ব্লেকিনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎকা তান্নদুনা লম্বী অসি নীংথিজনা কোয়লাস থাবীবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না হৈরাঙ্গোইথোং থোংখোং, ওইনাম লৈরক মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি টি ঐচ রোমাবতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জেদ য়ু এফ (জে)কী কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
ঙরাং নুমীদাং পুং ১০ রোম তাবা মতমদা লম্ফেল পুলিস অমদি ১৫শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা জেদ য়ু এফ (জে)কী কাদর অমা থাংমৈবন্দ তরুং এরিয়াদগী ফারে হায়রি। মহাক্কী মমিং পুলৌনা কামৈ এলিয়স অপু (২৪) অপোকপা অবৌ কামৈ কৌই। মহাক থাংমৈবন্দ মুজি খুলদা লৈবনি। মঙোন্দা ৱাহং পাউহং পুলিসনা চথবদা মহাক কুমজা ২০২০গী দিসেম্বরদা জেদ য়ু এফ (জে)দা য়াওবনি। মহাক তম্পাক্কী এরিয়াদা দিমান্দ লেট্টর পীরগা শেল খোম্বগী থবক তৌবা মীওইনি। মহাক হৌজিক লম্ফেল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা ৱাহং পাউহংগী থবক চথরি হায়রি।

সর্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
নন-টিচিং ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এন টি ঈ দব্লিয়ু এ) রিমস ইম্ফালগী কুমজা ২০২১দগী ২০২৪ ফাওবগী টর্মগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবা মেম্বরশিংদা ঙসি রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে। রিমসকী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সর্টিফিকেটশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। এন টি ঈ দব্লিয়ু এগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি ডা. দব্লিয়ু রনবিরনা প্রসিদেন্ট, এল মহেশকুমারনা ভাইস প্রসিদেন্ট, য়াইখোম বিকেননা জেনরেল সেক্রেটরি, এস রঘুনা জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং এন মঙ্গিলালনা ট্রেজররনি হায়রি।

স্পেসল লিগেল এৱ্যের্নেস পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলকপা চহী ৭৫ শুখিবগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা অজাদি কা অম্রিট মহোৎসবকা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস অমসুং নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা নুমীৎ ৪৫নি চুপ্না চথগদবা পান ইন্দিয়া এৱ্যের্নেস এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম লাক্লিবা ওক্টোবর ২দা লোঞ্চ তৌগদৌরি। কেম্পেয়ন অসিগী শেম শাবা ওইনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা স্পেসল লিগেল এৱ্যের্নেস এন্দ আউটরিচ দ্রাইভশিং ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা হয়েং পাঙথোল্লগনি। মল্টি য়ুটিলিটি মোবাইল ভেনশিং শীজিন্নবগা লোয়ননা পমপ্লেট অমদি পোষ্টশিং য়েন্থোক্তুনা স্পেসল লিগেল এৱ্যের্নেস দ্রাইভ অসি মফম কয়াদা চথগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অখণ্ড-অহৈশিংনা কুপ্না নৈনবা মথৌ তারে : ৱাই কে এ এল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
ইরমদমসিদা খুন্দারিবা অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা চোইনা খুন্দারিবা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা খুন্দারিবা মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসিগী পুন্সি মহিং করম্বা থাক্তা হিংলবগে হায়বসি মৈতৈ ফুরুপকী অখণ্ড-অহৈশিংনা কুপ্না নৈনবা মথৌ তারে হায়না য়েলহৌমী কনবা অপূনবা লূপ (ৱাই কে এল এল)গী প্রসিদেন্ট লানঙম অঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মপান লমদা খুন্দারিবা মৈতৈ ইচিল-ইনাওশিংনা ইরমদম অসিগী মায়োন য়েংদুনা ইরমদম কংলৈপাক মণিপুরগী ৱাখল্লোন্দা মঙ মঙজদুনা হিংলি। হৌরকফম ওইরিবা ইরমদমসিগী নুংঙাই-য়াইফবগী পাউ তারগা মৈতৈ ওইনা পোক্লুবগী চাউথোকচবা অদুদতা মোমোন মীনোক ফংজরিবনি। অদুগা ইরমদম অসিদনা অমনা ঙাংই অমনা তাদবা, অঙাং-অঙাং চাউনদুনা কাং-খোং চাইরবা খুন্নাই অমগী মচৎতা তাশিন-খোমজিনবীনবা য়াওদনা লৈখা তারবা খুন্নাই অমা তপ্পা তপ্পা ওইরক্লি। অমনা তৌবা থবক্তা অমনা য়েৎপা, য়েৎনবগী য়েৎনবা ঙাক্তা ঙাইরক্লি। মরকসিদা ইরমদম অসিদা মীতোপনা খুৎলিংবা মতৌদা য়েলহৌমীনি হায়জরিবা মৈতৈ ফুরুপশিংনা ফোংনা 'মৈতৈ রিফ্যুজিনি' হায়রকপা হায়বসি খন্থরুবদা কিনিংঙাইনি। মৈতৈশিংগী মরুওইবা লাইফম তীনফম কয়া মীতোপনা পায়শিনখ্রে। ঙরাংতা লাকপা হায়বা তাই শৈদাংফম লৌদুনা ইরমদমসিগী লুচিংবশিংদগী অয়াবা লৌরগা লৈখিবা মীতোপশিংদুনা লমগী মমিং তোঙান তোঙান থোনজিন্দুনা ইরমদমসিগী লৈহৌমী শারক্লি।

মরকসিদা ইরৈচাশিং অসিনা নাৎ, কলচর মালেমগী মীমাংদা উৎলিবনি হায়দুনা মালেম শিনবা থুংনা চৎলি। উৎলিবা কলচরগী মচাকশিং অদুনা ময়ান তুয়ান ঙাক্তা ওইরি। উৎলিবা কলচরগী মচাকশিং অদু মসিনা নিংথৌ ওইবগী মতমদা হৌদোক্লবনি। মসিনা চহী অসুক শুরবা ৱারীরোলদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়বনচিংবা মচা খায়না মালেম মীয়ামদা খঙহন্দুনা অশেংবা অচুম্বা মশক্তু উৎননবা হোৎনবগী থোইদোকপা কাঙলোন উদে। উৎলিবসি মৈতৈ কলচরনি হায়রগা জগোয় ওইগেরা, করি ওইগেগে পংউৎতা উৎলি। মসিনা মালেমগী মীয়ামদা চমম্নবা অমদি শোয়দনা ওইগনি হায়বা তাই। কনাগুম্বা খরনদি কাঙলোন চুম্না উৎলম্বসু য়াই। অদুবু থাজবগী ৱাংমদনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইরমদম অসিদনা মরুওইরবা লাইফস্লেন কয়া মীতোপকী মকোন শাদুনা লৈরে। কৌব্রু লাইফস্লেন, মাজিং লাইফস্লেন, হিয়াংথাংগী ইরৈম্মা ইমাগী লাইফম, খুরাই অহোংপুং, চেঙ্গৈ চীং, হৈবোক নিংথৌগী খুভম, ইঙৌরোক, থ্বারোক, মোন্দুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা লাইফস্লেন কয়া ঙসি ফাওবদা লৈরিবা মওং অসিদা অসুম চহী ২০ লোম লৈরবদি লাইফস্লেনশিং অসি মৈতৈগী অমদি ইরমদমসিগী মরুওইরবা লাইফস্লেননি হায়বা ফাওবা য়ারক্লোইদবা য়াম্না নীংবা কায়বা ফীভম অমা লাক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অসিগুম্লবা চিরবা মতাংসিদা ঐখোয় মশেল হুন্নদুনা, ৱাজাও ঙাংনদুনা, অকল-অরিং শীংনদুনা ৱাইখুনা ফক্লাং কাবগী মতৌদা চিংথুনদুনা লৈরি।

চৈরকসিদা লৈঙাক্লোয়শিংনসু মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপা মতৌদা থৌশাদনা অরং-অরাক্কী চাউখৎ লমজেলদা মায় ওনশিন্দুনা নিঙাইদনা লৈথোক্লি। তশেং তশেংনা ফুরুপ অমগী হিংবগী লম্বীদা অয়েৎ-অপন পীরক্লবা ফাওবা য়েংদুনা লৈবা, কাঙলুপ অমগী পুৱারীদা চাউনা শীংনরক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন থুগায় হায়রক্তদ্রা কিবদগী চিন মেন্দুনা লৈরগা কাউখিবা ঙাইবগী মতৌ অসিনদি নোংম-নোংমগী মীতোপনা ইথক্তা কাখৎলক্লবগী লম্বী শেম্বীবগুম্বনি হায়বদা লাল্লোই। ইরমদমসিগী মৈতৈ ইপা-ইচা খ্বাই পুম্নমক্তা লূপ অসিনা হঙ্গৎচরিবদি ঐখোয় কয়াম কুইনা তুমদুনা লৈখিসি হায়বনো হায়বসিনি। ঐখোয়সিবু হিংলিবরা শিরবরা অমুক্তং খন্থমিন্নসি। শিরে হায়না লৌরসিরা, শিরে হায়বা তারগদি ঐখোয় করিমক্তা হায়দবা তাবনি। হিংলি হায়না লৌরগা অহিংবা মী অমগী চপ চাবা থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা তুংগী চারোল শুরোলগীদমক নাখৈ শেংবা য়ুম্ফম অমদি থল্লম্নবা হোৎনবা তাবনি। হৌরকফম ওইরিবা লমদমসিগী মচৎ উবদা মপান লমগী ইপাচাশিংদি করি ৱাখল্লোন্দা হিংলমগনি হায়বসি অমুক্তং নৈনমিন্নসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মচেৎ মচেৎ খায়দোল্লগা পোলিটিক্স তৌননবা থৌরাংলিবসি তোকপীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
ক্যামগৈ মুস্লিম অরাপতি জি পিবু মচেৎ তানা থুগায়দুনা নারোনদা ৱার্দ নম্বর ৫, ৬ অমসুং ৭ লৌথোক্তুনা উরুপ অরাপতি জি পি হায়না মিং থোল্লগা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা মৈতৈ অমদি মৈতৈ-পাঙলশিং মচেৎ-মচেৎ খায়দোল্লগা পোলিটিক্স তৌননবা থৌরাংলিবসি তোকপীয়ু। জি পি অসিগী শক্তম কায়দনা থন্বীয়ু হায়না ক্যামগৈ মুস্লিম য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (কে এম ৱাই দি এ)না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ক্যামগৈ মুস্লিম য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট রমিস অহম্মদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা জি পি ৬১ লৈবদা শুপ্নতগী কৈরাও এ সীদা লৈবা ক্যামগৈ মুস্লিম অরাপতি জি পি অমদি কৈরাও মক্তিং জি পিদা অতম্নমা জি পি খায়দোল্লগা মফম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্বু নাকপাক তানবা শীল্লিবা লোকেল এম এল এগী ৱাখল্লোন অসি লাইবক থীবনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খ্বাইদগী চাউবা জি পি অসি কৈরাও মক্তিং জি পি অমদি মোইরাংকম্পু জি পিনি। কুমজা ১৯৮৯দগী কৈরাও মক্তিং জি পি খায়দোকপীয়ু হায়জবদা ঙসি ফাওবা তবীদ্রগা মীয়ামদা খঙহল্লমদনা নারোনদা ক্যামগৈ মুস্লিম অরাপতি জি পিদগী ৱার্দ অহুম লৌথোক্লনবা থৌরাংলম্বা অচান-মীরাই নাইবা ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু। হান্নগুম্না জি পি অসি কায়দনা থন্বীরগা মৈতৈ অমদি মৈতৈ পাঙলশিংগী নুংশিনবা মাঙহনবীগনু। কনাগুম্বা জি পিগী প্রধাননা লোন্না খুৎয়েক পীরম্বা তারবদি মৈহৌ-লাংপোক থোক্কনি। মৈহৌ-লাংপোক থোক্লনবা শীল্লক্লবদি মসিগী থৌদাং পুম্নমক মরী লৈনবা ওথোরিথিনা পুগদবনি। জি পিগী দেলিমিটেসন তৌবদা ক্যামগৈ মুস্লিম অরাপতি জি পিগী শরুক অমত্তা শোকপা য়ারোই। এসেমব্লীগী দেলিমিটেসন তৌবা মতমদা জি পিগীসু দেলিমিটেসন তৌবনা ওথোরিটিগী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না লৌই। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা জি পি অসিগী মীয়ামদা জি পি অনীগী দেলিমিটেসন তৌরোই হায়বগী থাজবা পীবীয়ু। থাজবা পীদবা তারবদি লিগেলগী মতেং লৌদুনা থবক পায়খৎননবা শেম-শাদুনা লৈরে। জি পি অনীখক্তা অতম্নমা দেলিমিটেসন তৌননবা থৌরাংলম্বা অসিদগী ঐখোয় মীকুপ নাহুম শিংনা লৈসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ইস্লামিক স্পোর্টিং এসোসিএসন (আই এস এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ য়াহিয়া খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ক্যামগৈ মুস্লিম অরাপতি জি পিবু মচেৎ তানা থুগায়দুনা ৱার্দ নম্বর ৫, ৬, ৭ লৌথোক্তুনা উরুপ অরাপতি জি পি হায়না মিংথোন্দুনা মচেৎ তানা খায়দোল্লগা পোলিটিক্স তৌননবা থৌরাংলিবসি তোকপীদুনা জি পি অসি খায়দনা থন্বীয়ু। ক্যামগৈ মুস্লিম অরাপতি জি পি অমদি কৈরাও মক্তিং জি পিদা অতম্নমা জি পি খায়দোক্লবা শীল্লিবা থৌওং অসি লাইবক থীবনি। এসেমব্লীগী দেলিমিটেসন তৌরকপা মতমদা জি পিগী দেলিমিটেসন তৌবনা ওথোরিটিগীসু, লোকেল এম এল এগীসু অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। জি পি অনী অসিগী দেলিমিটেসন তৌরোই হায়বগী থাজবা জি পি অনীসিগী মীয়ামদা পীবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোয়শিংগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
কোলেজশিংগী এদমিসন ফি মমাঙ চহীদা লৌরম্বা চাংদগী হেনগৎলকখিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌওং অসিগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাস খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, একাদেমীক সেসন ২০২১-২২গী ওইনা কোলেজ এদমিসন ফি অসি হান্না লৈরম্বা এদমিসন ফিদগী লুপা ১০০০ দগী ২০০০ ফাওবগী চাংদা হেনগৎলকপগী মায়োক্তা কোলেজশিংগী এদমিসন প্রোসেস অমদি কোলেজশিং সটদাউন তৌশিল্লবা ফাওবদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা তাশিন্নদনা লৈশিনবা অসি মহৈরোয়শিংবু থওইদবনি। লৈবাক্কী ৱানরবা মতম অসিদা খজিক্তংদা ওইরবসু ফগদ্রা খন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংদা এদমিসন তৌনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা মমাঙগী একাদেমীক সেসনগী এদমিসন ফিদগী হেনগৎনা হন্দক্কী এদমিসন ফি লেপ্পকপা অসি লায়রবা মহৈরোয়শিংবু হেন্না অৱাবা পীবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনসু কলচরেল ফি অমদি স্পোর্টস ফি এগজেম্পট তৌবা লৈখ্রবনি, লৈঙাক্কী একাউন্টতা দিপোজিৎ তৌগদবা এমাউন্টশিং অদু হৌখিবা চহীদসু মহৈরোয়শিংগী খনবীদুনা এগজেম্পট তৌখিবা লৈখ্রবনি। কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ লাক্তুনা অৱাবগী মথক্তা হেন্না অৱাবা পীরিবা মতম অসি য়ৌরবা ফাওবদা এদমিসন ফি হন্থরকপগী মহুৎতা হেনগৎলকপা অসি এম য়ুগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংদা তল্লিবা লায়রবা মহৈরোয়শিংগী চাকখাও থদৎপনি। হীরমসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মতিক চাবা থবক অথুবদা পায়খৎলক্তুবদি মহৈরোয়শিংগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লগনি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী ওইনা মশা মথন্তা শিজবা থিংনবা নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

OBSERVANCE OF
19TH WORLD SUICIDE PREVENTION DAY 202
"Creating Hope Through Action"
PRESIDENT
CHIEF GUEST

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু ঙসি মালেমগী ওইনা মশা মথন্তা শিজবদগী থিংবা নুমীৎকী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামনা শীন্দুনা লাঙথেলগী হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। মালেমগী ওইনা থৌরম অসি চহী খূদিংগী সেপ্টেম্বর ১০দা পাঙথোকপনি। ক্রিএটিং হোপ থ্রু এক্সন হায়বা অসিনা হন্দক চহীগী ৱাখল্লোন ওইরি।

থৌরম অদুদা ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা অথোইবা মীথুংলেন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কমিস্নার রংনামৈ রং পিটরনা থৌরম মপু অমদি সী এম ও, থৌবাল ডা. ৱাই নোকুল, দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর ডা. কে ঐচ ক্রষ্টি, পি ঐচ সী খোংজোমগী এম ও ডা. টি ঐচ সোমানন্দনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুকয়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা হৌজিক্কী মতমদা মশা মথন্তা শিজবগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিদা নুংনাংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা মসিবু মতম চানা থিংনবা হোৎনহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। য়ুমগী অহল-লমনশিংনসু মচাশিংগী লমজৎ শাজৎ ৱাঙাংনচিংবদা অহোংবা লাক্লবদি অখণ্ড-অহৈশিংগা মতম চানা তান্নবীদুনা পূক্লিং ফাথবীগদবনি। সুইসাইদ থিংবদা ডোক্তর খক্তনা য়ারোই। ঐখোয় পুন্না মসিগী মরমদা ৱাখল তামিন্নবা চঙই হায়খি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সী ঐচ বসন্তনা হায়খি, ৱর্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দে থৌরম তৌবগী মরুওইবা মরমদি সুইসাইদ তৌরকপগী মরমশিং অমদি মসিনা পীরিবা চৈথেংশিং অসিবু মীয়ামদা খঙহনবা অমদি মীয়াম পুন্না হোৎনদুনা সুইসাইদ তৌবদগী কলহৌনবগীনি। সুইসাইদ হায়বসি মরম কয়া অমনা পুনশিল্লগা ওইরকপা থৌদোক অমা ওইবনা মসি থিংবা হায়বসি পুম্নমক্কী থৌদাং চাউই হায়খি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সিনিয়র সাইকিয়াট্রিষ্ট ডা. ঐচ অঙোমচানা মীওইবা অমগী পূক্লিংদা মশা মথন্তা শিজনিংবগী ৱাখল পোল্লকপগী মরমশিং অমদি মসি থিংনবা খুদক্কী ওইনা তৌবা য়াবশিংগী মরমদা ৱা ঙাংলদুনা হায়, সুইসাইদকী ৱাখল পোল্লকপা হায়বসি মরম কয়া অমনা থোকহল্লকপা য়াই। হৌজিক্কী মতমদা কোভিদ-১৯ নারে হায়দুনা লৈকায়না ইন্থোকপীবা অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অদুগী পূক্লিং ৱাখল শোন্থহন্দুনা সুইসাইদ তৌজবগী থৌদোক থোক্লকপা য়াই হায়খি। সুইসাইদ তৌবা অসি হান্না খঙহৌরবদি ঙাকথোকপা য়াবা অমনি। ঐখোয় ইশাদগী হৌরগা ইমুং মনুং, খুন্নাই, অখণ্ড-অহৈশিং অমদি লৈঙাক্কী থৌদাং পুন্না চঙই হায়খি।

থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর লাঙথেলগী ষ্টাফশিং, অশাশিং অমদি অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থাঙ-তা তন্বীবগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং থাঙ -তা লূপকী ঐচ আর দি দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা নুমীৎ মঙানি চুপ্না চথগদবা থাঙ-তা তাকপী তন্বীবগী থৌরম লূপ অসিগী ময়াই লোয়শঙদা হৌদোকখ্রে হায়না অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী ঐচ আর দি দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি থোঙাম য়াইফবনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী থাঙ-তা দিপার্টমেন্টতা বেচলর ওফ থাঙ-তা তম্নবগীদমক নুমীৎ মঙানিগী ওইবা থাঙ-তা তাকপী তন্বীবগী থৌরম অসি শীনবনি। থৌরম অসিদা মহৈরোয় ৩০ রোম্না শরুক য়াবগা লোয়ননা অসামদগী মহৈরোয় অনীসু শরুক য়ারি। তাকপী তন্বীবা অসিদা ক্লাস নাইন-টেন, এলেবেন-টুয়েল্বকী সেলেবসকা লোয়ননা থাঙ-তাগী কাঙলোন কয়া তাকপী তন্বীগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম মীতৈ, অপূনবা লূপলেনগী ভি পি প্রো. এল জয়কুমার লৈশেম্বা অমসুং এস ইনাওবীসু শরুক য়াখি।

কৈরাও মক্তিং গ্রাম পঞ্চায়ট থুগায়বা য়ারোই : ক্লবশিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
কৈরাও মক্তিং গ্রাম পঞ্চায়ট (জি পি) অসি থুগায়বা য়ারোই হায়না মোর্দন য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবকী সেক্রেটরি, উরুপ পার্ট টু মুস্লিম য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরি অমদি উরুপ খুনৌ য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরিনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কৈরাও এ সীগী মনুং চনবা কৈরাও মক্তিং জি পি অসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা জি পি অমনি। উরুপ ভিলেজ অমদি কৈরাও মুস্লিম ভিলেজ অনীনা পুল্লগা শেম্বনি। ভিলেজ অনী অসিগী ভোটর মশীং অসি ৭,৫০০ রোম লৈরিবনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৮-৯৯গী সেসনদা কৈরাও মক্তিং গ্রাম পঞ্চায়ট অসি লৈঙাক্কী গাইদলাইন মতুংইন্না জি পি অসি অনী থোক্লা কৈরাও মক্তিং জি পি অমদি উরুপ জি পি হায়না খায়দোকপীয়ু হায়না প্রোসিদিংদা লৈরিবনি। মসিগী মতুংদা কুমজা ২০১২-১৩গী সেসনদসু অমুক হন্না এদমিনিষ্ট্রেসন্দা খুদোংচাদবা লৈবদগী জি পি অনী থোকপীননবা কমপ্লেন্ট লৈরিবনি। অদুবু জেনরেল এসেমব্লী দেলিমিটেসন মতুংদা হৌরগনি হায়না মতমদুগী দি সী, ইম্ফাল ইষ্টনা ফোঙদোরকখিবসু লৈরবনি। জি পি অসিগী মীয়ামগী ৱাকৎ অসি লৈঙাক্কী গাইদলাইনদা য়াদবা লৈব্রা। ভোটর মশীংদি জি পি অমগী লৈফম থোকপা অদুদগী হেল্লিবনি।

হন্দক্তা নৌনা অরাপতি উরুপ জি পি অমা শেম্নবগী প্রোসেস তৌরকপসি লাইবক থীবনি। উরুপ জি পি অমদি কৈরাও মুস্লিম জি পি হায়না অনী অসি হান্না খায়দোকপীরবা মতুংদা অনৌবা জি পি অমা শেম্নবগী অয়াবা পীবীয়ু। মমাঙদগী মীয়াম্না ৱাকৎতুনা লাক্লবা ৱাফম অসিবু লৈঙাক্লা নাথৈবীরগা অনৌবা জি পি অমা শেম্নবা তৌরিবসি লৈঙাক্কী করম্বা গাইদলাইনগী মখাদনো। অনৌবা জি পি শেম্বগী প্রোসেস অসিদা কৈরাও মক্তিং জি পিদগী ৱার্দ অমফাওবা লৌথোকখিবা য়ারোই। হায়বদি উরুপ ভিলেজ অমদি কৈরাও মুস্লিম ভিলেজ মচেৎ তাহনবা য়ারোই হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। জেদ পি মেম্বর, জি পিগী প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অয়াবা পীবা য়ারোই। করিগুম্বা পীরম্বা থোক্লবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকহল্লকপা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীননবা চীফ মিনিষ্টর অমদি আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টরগী পূক্লিংসু ক্লবশিং অসিনা চিংশিল্লক্লি।

সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাক দিঙ্গোগা ইন্টরেক্সন তৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর গুরখা য়ুথ এসোসিএসন (এম জি ৱাই এ) অমদি কংলাতোংবী গুরখা য়ুথ এসোসিএসন (কে এম জি ৱাই এ) অনীনা পুন্না শীন্দুনা কংলাতোংবীদা ঙসি সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোগা নহাশিংগা ইন্টরেক্সন তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা এম এল এ দিঙ্গোবুসু তরাম্না ওকখ্রে।

ইন্টরেক্সন তৌবগী থৌরম অদুদা গুরখাগী নহাশিংনা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা হায়খি, কংলাতোংবী এরিয়াদা মরুওইনা ঈশিং নীংথিনা ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরম্বা অদু হন্দক অচৌবা দাম অমা শারিবা অসিনা শোয়দনা কোকহল্লগনি। মফম অসিদা ইলেক্ট্রিক নীংথিনা ফংহন্ননবা হোৎনবদা ট্রান্সফোর্মরগী অৱাৎপা লৈরম্বা অদু য়ারিবমখৈ কোকহন্দুনা টিস্পারি এরিয়াদা ঙসি ট্রান্সফোর্মর অমা পীখ্রে। শান্তিনগরদসু প্রি পেদকী কেবল ৱায়র মিটর লিশিং ২ রোম শাংবা ৱায়রগী কোইল অমা পীখ্রে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চহী ২ রোম চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা অপনবা লৈরুরবা তুংদা ঙসি লম্বী-থোং কয়া নীংথিনা শেমজিন্দুনা কোয়লাস থাখ্রে। মখা তানসু লম্বী-থোং শেমজিনবগী থবক চথরি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সেকমাই এ সীদা ইমা কৈথেল অনী শাখ্রে। লোয়ননা সুবেদার নিরঞ্জন সিংহ ক্ষেত্রিগী মিতম খিনখিবা অসিমক অচৌবা মায় পাকপা অমনি। লোয়ননা গুরখাশিংগী ওইবা মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি অমা শারিবা অসি অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এইমসনা চথখিবা দ্রাইভতা ফাগৎখিবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)না ইম্ফালগী আলু গলি অমসুং ঙারি গলিদা ঙসি দ্রাইভ চথদুনা ফাগৎলকখিবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎলবা মতুংদা মৈ থাদুনা মাঙহনখিবা অদুগা মরী লৈননা এইমসকী সেক্রেটরি ফাইনান্স সুরজ থোকচোমনা হায়খি, এইমসনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমসুং হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপগী থিজিন-খোঙচৎ কয়া চথদুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা ঙারি গলি অমদি আলু গলি হায়না মিংথোন্দুনা খঙনরিবা মফমশিংদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োনব্রা হায়বগী য়েংশিন খোঙচৎ অসি চথবনি। মসিদা হিদাক মনাগী পোৎলম কয়া দুকানশিংদা য়োল্লম্বা থেংনবদগী ফাগৎলবা মতুংদা খুন্নাইসিগী হৌরক্লিবা মীরোলবু মাঙহন্ননবা হোৎনবদা মতেং ওইরিবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি মৈ থাদুনা মাঙহনবনি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরক অসিদা মীয়াম তীনবা মফমদা পান মসলানচিংবা য়োনবা য়ারোই হায়না লৈঙাক্কী অথিংবা লৈনা লৈনা য়োল্লিবশিং অসি মখা তানা য়েংশিনবগী দ্রাইভ চথখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংখেম কম্যুনিটি হোলদা নোংমাইলৈমা মৈরা পায়বী অমসুং কাদা ৱাংখেম য়ুনিট অনী পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা কাদা ৱাংখেম য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট তখেল্লম্বম ওংবী মেম্মা, ৱাংখেম নোংমাইলৈমা মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি ফিজম ওংবী সনাজাওবী অমসুং কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী রিসোর্ছ পার্সন ওইনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাং অমসুং কাদাগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ময়েংবম বুধিনা শরুক য়াখি।

রিসোর্ছ পার্স ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরদা য়ু শুংলগা মপানদা থাদোকখিগদবনি, মণিপুরদা ফংহল্লোই হায়বসি কদায়ফাওবা থাজনিংঙাই ওইরিবগে, মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরদা য়ু শুংলগা ফংহল্লোই হায়বগী চপ চাবা থাজবা পীবা ঙমগদ্রা হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। 'ফোর দিফেন্স পর্সনেল ওনলি' হায়না থাবা ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিকরশিং অহানবা মণিপুর রাইফলস (এম আর) অমসুং অনীশুবা মণিপুর রাইফলস (এম আর)কী কান্টিনশিংদগী চাইথোরকপা য়ুঙাংনা মণিপুরগী মফম খূদিংদা মরাং কায়না ফংলি। মীচম অমনসু হেক্তা ইরায় লায়না লৌবা ফংই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা রেভিন্যু হেনগৎনবগী মিংদা মণিপুর লৈঙাক্লা য়ু লিগেলাইজেসন তৌদুনা মণিপুরদা য়ু শুংগনি অমসুং ফংহল্লোই হায়রিবসি মীয়ামদা চাউনা মীনম্বনি। অদুনা অসিগুম্বা অরানবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নদুনা খুন্নাই অসি কঞ্জনবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

কাদাগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ময়েংবম বুধিনা হায়খি, মণিপুরদা য়ু থিংবা ঙমদ্রে অদুনা রেভিন্যুসু হেনগৎনবা য়ু শুংহল্লগা মপান্দা থাদোকসি হায়বা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরবদি পোপি প্লান্টেসনসু থিংবা ঙমদ্রবনিনা পাক শন্না পোপি থাহল্লসি য়াব্রা হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা মীওই ৪ ফারে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):
ইন্দো-ম্যান্মার রোদকী শীংজমৈ য়ুম্নাম লৈকায় মপাদা নাবকী টিম অমনা ট্রক অনী খামদুনা চেক তৌবদা ময়াই কাবা ব্রাউন সুগরনি চিংনবা কে জি ২০ লোমগী পোৎলমগা কোন্ননা মীওই ৪ ফারে হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদুদি লিলোং উশোইপোকপীদগী মুহম্মদ অনিশ খান (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি নুরুল হক, লিলোং অয়াংবী লৈকায়দগী এম দি সবির অহম্মদ (২৭) অপোকপা সমিম অহম্মদ, লিলোং উশোইপোকপীদগী এম দি সহিদুর রহমন (২৯) অপোকপা এম দি সমিদু রহমন অমসুং লিলোং ইফমদগী জকারিয়া (১৯) অপোকপা এম দি অব্দুল জলিল কৌই হায়রি। লোয়ননা দ্রগশিং অদুবু পুরকখিবা টাটা ট্রক ২ য়াওনা পোৎলম কয়া সিজ তৌরে হায়রি।